# গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুর

ইকাইখুম্নজরিবা ফাইনান্স মিনিষ্টর (ইন-চার্জ) গী

# বজেট স্পীচ

# ২০২২-২৩

মিষ্টর স্পীকর সার, অদোমগী অয়াবা লৌজরগা, ঐহাক্না চহী ২০২২-২৩গী বজেট অসি থমজনবগী তাঞ্জা অদু লৌজগে।

২. সরকার অসিগী অহানবা মপূং ফাবা বজেট অমা থমজবা ঙমজবা অসি ঐহাক্কী য়াম্না লাইবক ফবনি অমদি চাউথোকচনিংঙাইনি। ঐহাক্না, ঐখোয়গী সরকার অসিগী মহুৎ শিঞ্জদুনা, হন্দক্তা লোইখিবা বিধান সভাগী মীখলদা ঐখোয়বু পাউখোল্লোয় ওইনা খনবিরকপগীদমক্তা রাজ্য অসিগী মীয়ামবু থম্মোয় শেংনা তৌবিমল খঙবা ফোঙদোকচরি। ঐখোয়না রাজ্য অসিগী মীয়ামগীদমক্তা লেপ্পা লৈতনা থবক তৌজগনি অমদি মখোয়না পীবিরিবা খুদোংচাবা অসিগীদমক্তা ঐখোয়না মীয়ামগী অপাম্বা অদু থুংহন্নবা শোয়দনা হোৎনজগনি।

৩. ঐহাক্না রাজ্য অসিগী মীয়ামদা থাজবা পীজরি মদুদি মখোয়না ঐখোয়দা লৈরিবা থাজবা অদু কৈদৌনুংদা মাঙহঞ্জরোই। ঐখোয়গী সরকার অসিনা চোকথবা লৈতনা অমদি ওইজবা থাদোক্তুনা রাজ্য অসিগী মীয়ামগীদমক্তা অপূনবা, শান্তি লৈনা অমদি চাওখৎপা মণিপুর অমা ওইহন্নবা হোৎনজগনি। ঐখোয়গী ইকাইখুম্নজরিবা প্রধান মন্ত্রি অসি ঐখোয়গীদমক্তা মপান নাইদ্রবা থৌনাগী মশক অমনি। লৈবাক অসিগীদমক্তা মহাক্কী কখোকপা অমদি ওইজবা থিদনা পাঙথোকপা থৌদাং অদুবু উজরগা ঐখোয়গী সরকার অসি পূক্লিং থৌগৎপি।

৪. স্পীকর সার, অদোম্না খঙবিরিবদুনি, মতম লৈখিদবনা, সরকার অসিনা শেনবা চহী অসিগী অহানবা থা মরিগী মনুংদা থৌদাংশিং পাঙথোকপা ঙম্নবা অমদি চঙগদবা তঙাইফদবা এক্সপেন্দিচরশিং অদু তৌবা ঙম্নবা, ঐখোয়না ২০২২গী মার্চতা বজেট এষ্টিমেট ২০২২-২৩ অদুগীদমক্তা ভোট-ওন-একাউন্ট খক্তমক থমজখি। হৌজিক্তী, ঐখোয়না চথরিবা সেসন অসিদা মপূং ফাবা বজেট অমা থমজনবা প্রপোজ তৌজরি। মপূং ফাবা বজেট অসিনা সরকার অসিনা থল্লিবা পান্দমশিং অমদি ঐখোয়না তৌজগে খল্লিবা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক অমদি সমাজগীদমক্তা তৌফদ্রবা থৌদাংশিং অদু উখোল্লগনি। চথরিবা সেসন অসি আগষ্টকী অহানবা চয়োল ফাওবা চত্থগদবনা, সরকার অসিনা পাঙথোক্কনি হায়না হায়খিবশিং অমদি অথুবা এক্সপেন্দিচরশিং অদু মায়োং য়াবা ঙম্নবা আগষ্ট থাগী ওইনা ঐখোয়না ভোট-ওন-একাউন্টস প্রপোজ তৌজরি।

## সেক্সন – ৱান

## ইকোনোমিগী ফিভম

৫. মিষ্টর স্পীকর সার, অহৌবদা, ঐহাক্না ঙসিগী চীং-লেন্নবা হাউস অসিদা রাজ্য অসিগী ইকোনোমিগী মরুওইবা ফিভমশিং অদু থমজনবগী তাঞ্জা অদু লৌজগে।

৬. সার, শেনবা চহী ২০১৯-২০গী লোইরমদাইদা হৌরকখিবা লাইচৎ অদুনা রাজ্য অসিদা অচৌবা শাফু অমা পীখি। লাইচৎ অদুনা মীয়ামগী পুন্সি অমদি হিংবগী লন্বীদা অকায়বা পীখি। মতম অদুগী মনুংদা রিসোর্স রিসিটতা চাউনা হন্থখি। শেনবা চহী ২০২১-২২দসু শাফু অদু মখা চত্থনা লৈখি। হায়রিবা চহীশিং অসিদা মথং-মথং নংখিবা অসিগুম্বা শাফুশিং অদুনা ঐখোয়গী শেল-থুমগী ফিভমদা চাওনা খুদোংচাদবা অমদি শীংনবা অমা পীরকখি।

৭. রিসোর্সকী এভাইলেবিলিটিগী মতাংদা মায়োক্নখিবা খুদোংচাদবশিং অদু লৈজরবসু, ঐখোয়গী সরকার অসিনা তৌগনি হায়না লেপখিবা পুম্নমক পাঙথোকপা ঙমখি। মসিগী মনুংদা, কোভিদ-১৯না পীবা চৈথেং লাকশিনবগী শেল-থুমগী তঙাইফদবা, তোলোপ অমদি পেন্সন পীবদা চঙবা এক্সপেন্দিচরশিং, চাওখৎ-থৌরাংগী দরকার ওইবশিং মপুং ফাহনবা অমদি লাইচৎ অসিগী অৱাবা মতম অদুদা রাজ্য অসিদা ভলনরেবল সেক্সনশিংদা শেলগা লোয়ননা পোৎ চৈগী মতেং পাংবনচিংবা কয়া অমা য়াওরি।

৮. ঐখোয় ইশাগী রিসোর্স অসি য়ামদবা অমদি রাজ্য অসিগী রিসোর্স পুল অসি চাওনা কেন্দ্র সরকারদগী ত্রান্সফর তৌরকপনা চাওনা মশক লেপ্পনা, পায়খৎখিবা থবকশিং অসি থাগৎনিংঙাইগী মশকনি। মসিমক অৱাং-নোংপোক অমদি হিমালায়ন রাজ্যশিংগী মান্নবা শেল-থুমগী মশকনি। তৌবতবু, পার্সনেল ইনকম টেক্স অমদি কোর্পোরেট টেক্সতা মশক থোক্না কল্লেক্সন তৌবা ঙমখিবনা, শেনবা চহী ২০২১-২২গী অনিশুবা শরুক্তা কেন্দ্র সরকারদগী পীথরকপা রিসোর্স অদু চাউনা হেনগৎলকখি।

৯. কোভিদ-১৯ লাইচৎকী থংনা-থংনবা ৱেভশিংগী মতুংদা ইকোনোমিগী সপ্লাই সাইদ অসি নোর্মেল ওইনা হঞ্জিলকপা ঙমখ্রবসু, ২০২২গী মার্চতগী হৌদুনা জিওপোলিটিকেলগী মরম্না দরকার লৈবা পোৎ-চৈশিংগী মমলদা খঙহেন হেনগৎখিবনা, সমাজগী মীওই কাঙলূপ খুদিংমক্তা দরকার লৈবা পোৎ-চৈগী মমলদা হেনগৎপগী মশক ওইনা চৈথেং পীরি। মসি নুংনাংনিংঙাই ওইবা মওংনি। হন্দক ওইরিবা কোভিদ-১৯ অনাবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসিসু রাজ্য অসিগী ওইনা হকশেল অমদি রাজ্যগী শেল-থুমগী ফিভমদা পীরিবা চৈথেং অদুদা

য়েংলবদি মসি খন্ননিংঙাই ওইবা ৱাফমনি। হোংলক্লিবা ফিভম অসি ঐখোয়না লাকশিন্নবা পায়খৎপা য়াবা অঙন্বা থবকশিং পায়খৎলি।

১০. ইকুই কুইদ্রিঙৈগী মতমসিদা, রাজ্য সরকার অসিনা এক্সপেন্দিচরগী তঙাইফদবশিংদা হেনগৎলক্লিবা অসি মায়োক্নবা ঙম্নবা অহেনবা রিসোর্সশিং মোবিলাইজ তৌনবা খোঙথাংশিং লৌখৎপা হৌরে। হৌখিবা চহী খরসিদা, রাজ্য অসি ইশাগী টেক্স রেভিন্যু অসি লেপ্তনা হেনগৎলক্লি। মসি মরুওইনা ষ্টেট জিঃএসঃটি, মোটোর ভেহিকল টেক্স অমদি সেলস টেক্সতা মশক থোক্লা কল্লেক্সন তৌবা ঙম্বননি। রাজ্য অসিনা টেক্স বেজ অসি পাকথোক-চাওথোক্নবা অমদি টেক্স ইভেসন হন্থনবা অহেনবা খোঙথাংশিং লৌখৎপা হৌরে। করিগুম্বা মখল অমা হেক্তদা অহেনবা রিসোর্স মোবিলাইজ তৌবা অসিনা রাজ্য অসিনা লৌখৎকদবা থবক কয়া পাঙথোকপদা মতেং পাংলগনি। রিসোর্স মোবিলাইজেসন তৌনবগী তোঙান তোঙানবা সোর্সশিং মশক খঙদোক্লে।

১১. মথক্তা পঞ্জখিবগুম্না, লাইচৎ মতমগী চহীশিং অসিনা ঐখোয়গী ইকোনোমিদা অচৌবা শাফু অমা পীরমখি। রাজ্য অসিনা তৌদবা য়াদ্রবা থৌদাংনি হায়না পাঙথোকখিবা থবক, তোলোপ হেনগৎখিবা, পেন্সন, ইন্টরেষ্ট পীথোকপা অমদি ওপরেটিং এক্সপেন্সশিংনচিংবা পীথোকপদা রাজ্য অসিনা চাওরবা রেভিন্যু এক্সপেন্দিচর অমা পুরি। লাইচৎ অসিনা পীবা ফত্তবা ফল ওইনা, রেভিন্যুদা খঙহন হন্থরকখিবা, চাদিংদা হেনগৎখিবা অমদি জিঃএসঃদিঃপি দেটকী রেসিওগী চাংদা খঙহেন হেনগৎলকপা অসিনা রাজ্য অয়াম্বগী ফিস্কেল পোজিসন অসি ২০২০দা ফিভম থীনা শোকচিলহনখি। লাইবক ফবদি, মথক্তা পঞ্জখিবা পোজিসন অসি লৈজরবসু, রাজ্য অসি ফিসকেল ভলনরেবিলিটি লৈবা রাজ্যশিংগী মনুংদা চনখিদে। ঐখোয়গী রেভিন্যু রিসিট হেনগৎহন্দুনা অমদি লৈরিবা দেট ষ্টোক অসি হন্থহন্দুনা, রাজ্য অসিগী শেল-থুমগী ফিভম শোকচিন্দনা থম্নবা খোঙথাং কয়া লেপ্তনা পায়খৎকনি।

১২. মসিগা মরী লৈননা, ভারত সরকারনা পব্লিক ফাইনান্স রিষ্ট্রকচর তৌনবা পায়খৎলিবা খোঙথাংশিং, মরুওইনা সেন্ত্রেল স্কীমগী ফণ্ড অসি থাদোকপা অমদি স্কীমশিং অসিগীদমক্তা থাদরকপা ফণ্ডশিং অসিনা য়ৌহন্নিংবা মফম অদু ফাওবা য়ৌদুনা পান্দম অদু থুংননবা হোৎনরিবা অদু মতাং অসিদা পনবদা মতিক চায় হায়না থমজগে । শেনবা চহী ২০২১-২২দগী হৌদুনা, কেন্দ্র সরকারনা স্কীমগী একাউন্টশিংদা স্কীমগী ফণ্ডশিং অসি শীজিন্নদনা থম্বগী মওং অসি হন্থনবা পাম্বে কয়া অমা পুথোকখ্রে। মসি অচুম্বা লম্বী চঙশিনবা খোঙথাংনি অমসুং মসিনা চাওখৎ-থৌরাংগী ফণ্ডশিং অসি মতম চানা য়ৌহন্নিংলিবা মফম অদু ফাওবা য়ৌহনবা ঙম্লগনি।

১৩. ষ্টেট নোদেল এজেন্সি (এসঃএনঃএ) মোদেলগা লোয়ননা, সেন্ট্রেল্লি স্পোন্সর্দ স্কীমশিংগীদমক্তা থারকপা ফণ্ডশিং অসি করম্না শীজিন্নরিবগে হায়বদু মোনিটর তৌবা ঙম্লগনি। ফণ্ডশিং অসি শীজিন্নরে হায়বদু উৎপা ঙম্লবদা, মখা তাবা ইন্সটোলমেন্টশিং অসি রাজ্যদা থাদরক্নবগী লম্বী অমা ওইগনি। হন্দক্তা ভারত সরকারনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না, সেন্ট্রেলল্লি স্পোন্সর্দ স্কীম (সিঃএসঃএস) কী গ্রান্টশিং অদু থবক পায়খৎলিবা দিপার্টমেন্টশিং অদুদা পুল্লপ থাদনবগীদমক্তা রাজ্য সরকার অসিনা ৱান-টাইম এক্সরসাইজ অমা পায়খৎলে। এক্সরসাইজশিং অসি পায়খৎলবা মতুংদা স্কীমগী অহেনবা ফণ্ডশিং অসি থাদোরক্কনি হায়না কেন্দ্র সরকারনা থাজবা পীরকখ্রে।

১৪. রাজ্য সরকার অসিনা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী অমদি সমাজগী ওইবা দরকারশিং অসি ফণ্ডিং হেনগৎহন্না সেন্ট্রেল্লি স্পোন্সর্দ স্কীমশিংগী মখাদা লৈবা সেন্ট্রেল গ্রান্টশিং অমসুং এক্সটরনেল্লি এদেদ প্রোজেক্টশিংগী মওংদা পীবিনবা কেন্দ্র সরকারদা পুখৎকনি। মসিনা রাজ্য অসিগী লৈজরিবা দিস্কৃসনরি রিসোর্সশিং অসিদা পীরিবা প্রেসর অসি হন্থহনবা ঙমহনগনি। মখা তানা, মসিনা রাজ্য অসিগী শেল-থুমগী ফিভম লাকশিনবগী থবকশিংদা মতেং পাংলগনি।

১৫. কোভিদ-১৯গী মতমদা রাজ্য অসিনা পোজিটিভ দিভেলপমেন্ট অমা হায়রগদি কেপিটেল আউটলেদা এক্সপেন্দিচর লেপ্পা লৈতনা হেনগৎহনবা ঙমখিবা অদুনি। চহী ২০২০-২১দা, কেন্দ্র সরকারনা স্কীম ফোর এসিষ্টেন্স টু ষ্টেটস ফোর কেপিটেল এক্সপেন্দিচর (এসঃএঃসিঃই) হৌদোকখি। স্কীম অসিগী মখাদা, শেনবা চহী ২০২০-২১দা রাজ্য সরকারনা লুপা কোটি ৩১৭ ফংখি অমদি শেনবা চহী ২০২১-২২দনা লুপা কোটি ২১২ ফংবা ঙমখি। স্কীম অসিগী মখাদা ফংখিবা ফণ্ডশিং অসিনা লোইশিনদ্রিবা প্রোজেক্ট কয়া অমা লোইশিনবা অমদি অনৌবা প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎপদা শীজিন্নখি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা ভারত সরকারগী পোলিসিগা ইরোইননা, রাজ্য সরকার অসিনা কেপিটেল এসেটশিং শেমগৎনবগী এক্সপেন্দিচর হেনগৎহনবগী হীরমদা মিৎয়েং চঙবা হৌখি। শেনবা চহী ২০২১-২২গী মনুংদা, কেপিটেল আউটলেগী অপূনবা এক্সপেন্দিচর অসি লুপা কোটি **২,৪৩৯**নি। মসি শেনবা চহী ২০১৯-২০দা লৈখিবা মশীং অদুদগী চাদা **১১১** হেনগৎখি। মসিগা মান্ননা, প্রি-একচুএ ফিগরগী মতুং ইন্না, শেনবা চহী ২০২১-২২দা এক্সপেন্দিচর অসি লুপা কোটি **৩,২৫০**দা হেনগৎখি। সরকার অসিনা কেপিটেল চাদিং তৌবদা চাওনা হেনগৎলিবা অসি দিমাণ্ড অমদি সপ্লাই অনীমক্তা রেসপোন্স ফগৎহনবদা উবা ফংগনি মরমদি মসিনা তুংগী চাওখৎনবগীদমক্তা ইনফ্রাষ্ট্রকচর কেপাসিটি শেমগৎলি।

১৬. শেনবা চহী ২০২২-২৩গী ওইনা, স্কীম অসি 'স্কীম ফোর স্পীসিএল এসিস্টেন্স টু স্টেটস ফোর কেপিটেল ইনভেস্টমেন্ট (এসঃএঃসিঃআই)' হায়না মমিং হৌদোকখ্রে অমদি মসিগীদমক্তা য়ুনিয়ন বজেটতা লুপা কোটি লাখ ১গী এলোকেসন থোকখ্রে। চহী অসিগী ওইনা মসিদা শরুক ৭ (তরেৎ) খায়দোল্লি। স্কীম অসিনা রাজ্যশিং তোঙান তোঙানবা রিফোর্মশিংগী মপূং ফাহল্লগা অহেনবা ফণ্ডিংশিং ফংবা য়াহল্লি। মসিগী মনুংদা পিঃএম গটি শক্তি, পিঃএমঃজিঃএসঃৰাই, দিজিতাইজেসন, রাইট ওফ ৱে ফোর ওপটিকেল ফাইবর কেবল (ওঃএফঃসি) নেটৱার্ক, অর্বানাইজেসন অমদি দিসইনভেস্টমেন্ট অমসুং এসেট মোনিটাইজেসন য়াওরি। মসিনা রাজ্য অসিনা ক্রিটিকেল কেপিটেল ইনভেস্টমেন্ট পায়কৎপদা মতেং পাংগদবনা, স্কীম অসিগী মখাদা খ্বাইদগী য়াম্বা মওংদা এল্লোকেসন ফংননবা রাজ্য অসিনা য়ারিবমখৈ হোৎনরি।

১৭. পব্লিক-প্রাইভেট পার্টনরসিপ (পিঃপিঃপি) অসি রাজ্য সরকারনা কন্না থীজিল্লিবা হীরম অমনি। পিঃপিঃপি প্রোজেক্টশিং অসিনা পব্লিক অমদি প্রাইভেট সেক্তর অনীমক্না খ্বাইদগী ফবা মওংদা প্রজা মীয়ামদা সার্ভিস পীবা, রিসোর্স জেনেরেট তৌবা অমদি অসিগুম্বা প্রোজক্টে অসি চাওখৎহনবা অমদি মেনেজ তৌবদা মশক থোক্না পায়খৎপা ঙমহল্লি। তোঙান তোঙানবা পিঃপিঃপি প্রোজেক্টশিং অসি খন্নরি অমদি তাঙ্কক অসি পায়খৎনবা হোৎনরি। মসিনা চাওখৎ থৌরাংশিংগী দরকার ওইবশিং অদুদা চঙবা শেনফমশিং পুবা ঙম্নবা রাজ্য সরকার অসিনা অহেনবা রিসোর্স জেনেরেট তৌবা ঙমহল্লগনি।

১৮. পোৎ-চৈগী মমলদা হন্দক মমল হেনগৎলকপা অমদি কোভিট-১৯ খঙহৌদনা হেনগৎলকপা অসি লৈরবসু, ২০২২-২৩গী গ্রোস স্টেট দোমেস্টিক প্রদক্ট (জিঃএসঃদিঃপি) অসি লুপা কোটি **৪২,৩০১** ওইগনি পারি। মসি ২০২১-২২দা লুপা কোটি ৩৭,৭৬০গী জিঃএসঃদিঃপি ওইরম্বা অদুদগী হেনগৎলে। ঐখোয়না থাজজৈ মদুদি রাজ্য অসি শেল-থুমগী ফিভম অসিদা ফগৎলক্কিনি অমসুং ভারত সরকারগা তান্নদুনা দরকার লৈবা খোঙথাংশিং লৌখৎকনি।

১৯. সার, মসি হঞ্জিন-হঞ্জিন্না পঞ্জরি মদুদি মণিপুর অসি ফাইনান্সিএল রিসোর্সকীদমক্তা কেন্দ্র সরকারদা মপূং ফানা দিপেন্দ তৌই। মসিগী মতাংদা লেপ্পা লৈতনা মতেং পীবিরকপগীদমক্তা ঐহাক্না ইকাইখুম্নজরিবা প্রধান মন্ত্রিগী লীচিং মখাদা লৈরিবা ভারত সরকারবু থম্মোয় শেংনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। অদুবু হৌজিক লৈরিবা মওং অসিদগী ঐখোয়না অহেনবা রিসোর্সশিং জেনেরেট তৌবা ঙম্বগী শক্তি লৈ হায়বসি ঐহাক্না তশেংনা থাজজৈ। মমাঙগী বিঃজেঃপি না লুচিংবা সরকার অদুনা মসিগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা খোঙথাং কয়া পায়খৎখ্রে। ঐখোয়না মসি মাঙলোমদা চঙশিনজগনি অমদি ইশাগী রেভিন্যু কল্লেক্সন হেনগৎহন্নবা অহেনবা

খোঙথাংশিং হৌদোক্কনি। য়াম্না মরুওইবা খোঙথাং অসি ঐখোয়না পায়খৎপা ঙম্নবগীদমক্তা, ঐহাক্না চীং-লেপ্পবা হাউস অসিগী মেম্বরশিং অমদি রাজ্য অসিগী প্রজা মীয়ামদগী গী মতেং নিজরি।

## সেক্সন – টু

## সরকার অসিগী প্রাইওরিটিশিং অমদি অখন্নবা বজেটরি এল্লোকেসনশিং

### ওন্ত্রেপ্রেনোরসিপ, স্কীল্লিং, ষ্টার্ট–অপশিং

২০. স্পীকর সার, ঐখোয়না ঐখোয়গী লৈজরিবা 'হ্যুমেন রিসোর্স' অমসি মপূং ফানা শীজিন্নবা অসি য়াম্না মরু ওই। মসিগা মরী লৈননা, ওন্ত্রেপ্রেনোরসিপ, ষ্টার্টঅপশিং, ইন্নোভেসন্নচিংবা অসি রাজ্য অসিগী শেল–থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনবদা য়াম্না মরু ওই। মখোয়শিং অসি এমপ্লোইমেন্ট জেনেরেসন তৌবগা লোয়ননা হিংনবগী লম্বী শেন্বা তঙাইফদে। রাজ্য সরকারগী ষ্টার্ট অপ স্কীম অসিনা ষ্টার্ট–অপ কয়া অমা কান্নবা পীখ্রে অমদি কয়া অমনা মখোয়গী বিজিনেস অদু পাকথোক–চাওথোকহনবা ঙমখ্রে। হৌজিক ফাওবদা ষ্টার্ট অপ **৫,৭৯০** দা মতেং পীখ্রে।

২১. রাজ্য অসিদা ষ্টার্ট–অপ ইকোসিষ্টেমদা সপ্পোর্ট তৌনবা, সরকার অসিনা হান্দক্কী বজেট অসিনা লুপা কোটি ১০০ খাত্তুনা থম্লে। রাজ্য অসিনা লৈরিবা ষ্টাট–অপ কয়া অমদা ক্রেডিট ফ্লো ফগৎহন্নবা, সরকার অসিনা ভারত সরকারগী ফাইনান্সিএল ইন্সটিট্যুসনশিংগা খূৎশম্নরবা ক্রেডিট গেরেন্টি ফণ্ড ট্রষ্ট অমা শেমগৎল্লবা লম্বী য়াৎপা হৌরে। মতিক চাবা কম্মরসিএল স্পেস অমদি ফ্লেক্সিবল ওইবা স্কীল অপগ্রেদেসন প্রোগ্রামশিং ফংবদা ৰাবা অসি রাজ্য অসিগী ওন্ত্রেপ্রেনোরশিংনা মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিংগী মনুংদা অমনি। মসিগী অৰাৎপা অসি মেনশিন্নবা, ঐখোয়না 'দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ স্কীল্লিং, ওন্ত্রেপ্রেনোরসিপ এণ্ড এমপ্লোইমেন্ট সেন্তর্স' মশক থোকপা কম্মরসিএল এক্তিভিটিশিং পায়খৎপগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট হেদক্কার্টরশিংদা শেমগৎনবা পান্দম থম্লি। মসিগী সেন্তরশিং অসিনা রাজ্য অসিগী ষ্টার্ট–অপশিংদা কম্মরসিএল আউলেটশিং ফংহনবগা লোয়ননা স্কীল অপগ্রেদ তৌবগী খুদোংচাবশিংসু পীরগনি।

২২. ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী লম অসি নহা কয়াদা থবক পীবা য়াবা য়াম্না খুদোংচাবা হীরম অমনি। আইঃটি, আইঃটিঃই এস গী সেক্তরদা সরকার অসিনা নহা ২০০০ ট্রেনিং পীননবা প্রোজেক্ট পায়খৎলি। ট্রেনিংশিং অসিগী অচঙবা শেল অদু রাজ্য সরকার অসিনা পুরি। মপূং ফানা ট্রেন তৌরবা নহাশিং মতিক চানা লৈবা অসিনা রাজ্য অসিগী অচৌবা রিসোর্স অমা ওইবা ঙমগদৌরিবনি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা অচৌবা আইঃটি কম্পনিশিংগা খূৎশম্নদুনা সরকার

অসিনা গ্রেজুএসনগী মহৈ-মশিং তন্নগা লোয়ননা ট্রেনিং মনুংদা থবক ফংহন্নবা প্রোজেক্ট কয়া অমা পায়খৎলি।

২৩. রাজ্য সরকার অসিনা সেন্তর ফোর ইনভেন্সন, ইন্নোভেসন এণ্ড ইনক্যুভেসন ট্রেনিং (সিঃআইঃ আইঃআইঃটি) অমা পিঃপিঃপি মোদেল ওইনা শেমগৎলি। মসিদা রাজ্য সরকারগী সিয়ার অসি লুপা কোটি ৩০নি অদুগা চহী অসিগী ওইনা বজেট অসিদা মতিক চানা এল্লোকেসন পীরে। মসিগী সেন্তর অসিনা ষ্টার্ট-অপশিং অমদি ওন্ত্রেপ্রেনোরশিংগী মতিক চানা ইনভেন্ট অমদি ইন্নোভেট তৌনবা মফম অমা পীবা ঙম্লগনি। আইদিয়াশিং অসি মপূং ফানবা শেমগৎকনি অমসুং সেন্তর অসিদা তোঙান তোঙানবা এক্সপর্টশিংনা মতেং পাংদুনা ইনক্যুবেট তৌবা য়াহনগনি।

## কন্নেক্তিভিটি (লম্বী-থোং)

২৪. রাজ্য অসিগী চাওখৎপা হায়বসিগা কন্নেক্তিভিটি অসি য়াম্না মরুওইবা সেক্তর অমনি। নেস্নেল হাইৱেশিং অমদি বোর্দর লম্বীগী প্রোজেক্টশিং অসি কেন্দ্র সরকারগী এজেন্সিশিংনা পায়খৎলবসু, রাজ্য সরকার অসিনা লম্বীগী প্রোজেক্টশিং অসিনা পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টনা অমদি প্রধান মন্ত্রি গ্রাম সড়ক যোজনানা (পিঃএমঃজিঃএসঃৱাই) রুরেল ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টনা পায়খৎলি। কেন্দ্র সরকারনা পায়খৎপা প্রোজেক্টশিং খাইদোকখ্রগা, ফণ্ডিংগী সোর্স পূম্নমক পুনশিল্লবা মতুংদা, লম্বী অমদি থোংগী কেপিটেল আটলে অসি শেনবা চহী ২০২২-২৩গী ওইনা চাওরাক্লা লুপা কোটি ২,৭০০নি।

২৫. ফণ্ড ফ্লো নীংথিনা মেনেজ তৌরগা, রাজ্য সরকারনা হৌজিক শেনবা চহীদা পিঃএমঃজিঃএসঃ ৱাই গী ফণ্ড ফ্লো অসি হেনগৎহনবা ঙম্লে। শেনবা চহীদা অসিদা, বোর্দর এরিয়াগী অহেনবা ফণ্ডিংগা লোয়ননা, ফণ্ড ফ্লো অসি মশক থোক্লা হেনগৎলক্কনি হায়না থাজে অমদি মসিনা প্রোজেক্ট কয়া অমা লোইশিনবদা মতেং পাংলগনি। মখা তানা, নুমিৎ চাম্মনিগী এক্সন প্লানগী মখাদা, দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা লৈরিবা মরুওইবা লম্বীশিং ফগৎহনবা অমদি শেমজিন শাজিনবগী থবকশিং পায়খৎলি।

২৬. ইম্ফাল-কাংচুপ-তমোংলোং লম্বী অসি মশক থোক্লা খুমাঙ চাওশিল্লে। হৌজিক্কী ওইনা ফিজিকেল প্রোগ্রেস অসি চাদা ৬০ লৈরে। মসিগী প্রোজেক্ট অসিগা লোয়ননা ইম্ফাল-তমোংলোং-হাল্ফলোং রোদ প্রোজেক্ট অসিনা রাজ্য অসিদা অতোপ্পা লাইফলাইন অমা পীরগনি। হাইৱে প্রোজেক্টশিং অসিগা লোয়ননা পায়খৎলিবা অতোপ্পা প্রোজেক্টশিং নত্রগা তুংদা পায়খৎলক্কদবা প্রোজেক্টশিং অসিনা রাজ্য অসিনা কন্নেক্তিভিটিদা মশক থোক্লা ফগৎহল্লগনি।

২৭. কোংক্রিটকী লম্বীশিং অসি মেন্টেনেন্সকী শেল হন্থহনবা অদুক্কী মতিক খুদোংচাহল্লি। ঐখোয়না ইম্ফাল সহরগী মনুংদা লৈবা লম্বীশিং অসি কোংক্রিট লাইন্দ দ্রেনশিং য়াওনা রিজিট পেভমেন্ট শেমদুনা পায়খৎনবা লুপা কোটি **৩,৩০৩**গী শেনফমগী প্রোজেক্ট অমা এক্সটরনেল্লি এদেদ প্রোজেক্ট ওইনা প্রপোজ তৌখ্রে। মসিগী প্রোজেক্ট অসি হন্দক্তা মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্সনা এসিয়ান ইনফ্রাষ্ট্রকচর ইনভেষ্টন্টে বেঙ্কতা (এঃআইঃআইঃবি) দা থাখ্রে। মসিগী প্রোজেক্ট অসিনা তোয়না তোয়না শেন্নগী দরকার অদু হন্থহন্দুনা সরকারদা খরচা তৌবগী চাং হন্থহনবদা মতেং পাংলগনি। রাজ্য সরকার অসিনা চপ মান্নবা প্রোজেক্ট অসি, তুংদা দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরদসু পায়খৎনবা পান্দম থল্লি।

২৮. দি ইন্টরনেস্নেল এয়ার কন্নেক্তিভিটি স্কীম – উড়ানগী মখাদা লৈবা ইম্ফাল–মন্দলে ফ্লাইট (আইঃএঃসিঃএস ঃ উড়ান) অসি চহী অসিগী মনুংদা হৌরগনি। মসিগী ফ্লাই সার্ভিস অসিনা লৈবাক অনীগী মরক্তা কলচরেল, ইকোনোমিক অমদি মী অমগা মী অমগগী মরক্তা মরী শেমগৎপদা মতেং পাংলগনি। ফ্লাইট অসিনা অহৌবা ওইরগা লাক্কদৌরিবা থা খরা অসিদা ইম্ফালদগী মফম কয়া অমদা ইন্টরনেস্নেল ফ্লাইট অমা পাইবগী খুদোংচাবসু ফংলগনি। আরঃসিঃ এস উড়ান ২.০গী মখাদা রাজ্য অসিগী মফম মঙাদা হেলিপোর্টশিং শাগৎলি।  হেলিপোর্টশিং অসি শেমগৎপা লোইবগা, রাজ্য অসিগী মনুংদা য়াঙনা চৎথোক–চৎশিন তৌবগী লম্বী অমা ওইহন্দুনা হেলিকোপটরনা শম্নহনবগী থবক অসি মশক থোক্লা হেনগৎলগনি। ট্রান্সপোর্ট সেক্তরগী ওইনা হন্দক্কী বজেট অসিনা লুপা কোটি ৫৯ খাক্তুনা থল্লে।

## এক্সটরনেল্লি এদেদ প্রোজেক্ট

২৯. স্পীকর সার, অতেনবা মতমগী মনুংদা অখন্নবা অৰাৎপা অমা মেনখৎতবা য়াদবা, মরুওইনা অচৌবা শেনফম চঙবা মরুওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিংগী হীরমদা এক্সটরনেল্লি এদেদ প্রোজেক্টশিং (ইঃএঃপি শিং) অসি য়াম্না মরুওইবা ফণ্ডিংগী সোর্স অমনি। মসিগী হীরম অসিদা ঐখোয় খুমাঙ চাওশিনবা ঙল্লে। রাজ্য অসিদা হৌজিক্কী ওইনা ইঃএঃপি মরি পায়খৎলি। মসিদা য়াওরিবসি এঃদিঃবি না শেন্থং পীথরকপা ইম্ফাল–কাংচুপ–তমোংলোং লম্বী, এনঃদিঃবি না শেন্থং পীথরকপা মণিপুর ৰাটর সপ্লাই প্রোজেক্ট, কেঃএফঃদব্লিউনা শেন্থং পীরকপা ফোরেষ্ট মেনেজমেন্ট প্রোজেক্ট অমদি ৰার্ল্ড ৰেঙ্ককী শেন্থং মখাদা দাম রিহেবিলিটেসন প্রোজেক্ট নি।

৩০. ইঃএঃপি অনী অমদি টেন্দরগী এদভান্স ষ্টেজদা লৈরি। মখোয়শিং অদুদি এনঃদিঃবিগী সেন্থং মখাদা লম্ফেলপাৎ ৰাটরবোদি রিজুভিনেসন প্রোজেক্ট অমদি ইম্ফাল সিৱরেজ প্রোজেক্ট, ফেজ–টু নি। প্রোজক্টশিং অসিগী থবকশিং অসি লাক্কদৌরিবা থা খরগী মনুংদা পায়খৎপা হৌরবা য়ানা

লৈরে। লাক্কদৌরিবা থা খরসিগী মনুংদা এনঃদিঃবি গী শেন্থুং মখাদা পায়খৎকদবা ইম্ফাল রিং রোদ অসিগী টেন্দরগী থবকসু পায়খৎপা হৌরগনি। মসিগী মথক্তা, অতোপ্পা ইঃএঃপি ৪ অমসু মরী লৈনবা ফণ্ডিং এজেন্সিশিংগা কুপ্না খন্নরি। অপূনবদা, সরকার অসিনা লাক্কদৌরিবা চহী ৪–৫ অসিগী মনুংদা এক্সটরনেল্লি এদেদ প্রোজেক্টশিংগী মখাদা লুপা কোটি **১৫,০০০**গী কেপিটেল ইনভেষ্টমেন্ট তৌননবা পান্দম থল্লি। মসিগী প্রোজেক্টশিং অসিনা রাজ্য অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহনবদা নত্তনা হিংনবগী লন্বী অমদি এমপ্লোইমেন্টকী খুদোংচাবসু পীরগনি।

## ইজুকেসন (মহৈ–মশিং)

৩১. স্পীকর সার, মহৈ–মশিংগী লম অসি সরকার অসিনা অখন্ননা মিৎয়েং চঙদুনা লাক্লি। 'স্কুল ফগৎহনসি মীসন' হায়বা ফ্লেগসিপ প্রোগ্রাম অসিনা রাজ্য অসি শীনবা থুংনা 'মোদেল স্কুল' শিং শেমগৎতুনা মহৈ মশিংগী লমদা অচৌবা অহোংবা পুরকপা ঙম্লে। মিসন অসিগী ফেজ অনি পায়খৎখ্রে। মিসন অসিগী সেকেণ্ড ফেজ লোইশিন্দুনা অহুমশুবা ফেজ পায়খৎনবগীদমক্তা, বজেট অসিদা লুপা কোটি **৩৮** এল্লোকেট তৌরে। মসি মমাঙগী চহীদা এল্লোকেট তৌখিবা অদুদগী চাদা ৫২ হেনগৎনা এল্লোকেট তৌরে।

৩২. সেন্ত্রেল্লি স্পোন্সর্দ স্কীম 'সমগ্রা শিক্ষা' অসিনা ইলিমেন্টরি, সেকেণ্ডরি অমদি টিচর ইজুকেসনগী ফণ্ডিংগী মরুওইবা সোর্স অমা ওইরি। ঐখোয়না স্কীম অসিগী ফণ্ড ফ্লো অসি ষ্ট্রিমলাইন তৌরে অমসুং ঐখোয়না থাজে মদুদি শেনবা চহী অসিদা স্কীম অসিগী লাক্কদৌরিবা ফণ্ড অসি অতোপ্পা চহীশিংগা চাংদম্নবদা খ্বাইদগী ৰাংগনি। বজেট অসিদা সমগ্রা শিক্ষাগী ওইনা লুপা কোটি **৮০০** এল্লোকেট তৌরে।

৩৩. দিজিটেলগী মতম অসিদা,মহৈ মশিং অসি ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগা থাদোকপা য়াদ্রবা হীরম অমা ওইরে। শেল থুমগী ফিভমদা শোত্থনা লৈবা ইমুংদাগী হৌরকপা মহৈরোইশিংনা দিজিটেল কোর্সশিং অসি মখোয়না ফংনবা হোৎনবদা থিন্থহল্লি। মসি হায়র ইজুকেসনগী লমদনা হেন্না উবা ফংই। 'চিফ মিনিষ্টরগী কোলেজ মহৈরোয় ই–সপ্পোর্ট স্কীম' অসিনা শেল–থুমগী ফিভম ফত্তবা ইমুংদগী লাকপা মহৈরোয় ২০০০দা মনুং মপান নাইদনা খন্দুনা স্মার্টফোন পীদুনা মখোয়গী মহৈ তম্বগী মেটিরিয়েলশিং অদু ফংনবগী খুদোংচাবা পীরি। মসিগীদমক্তা, বজেট অসিদা লুপা কোটি **২** এল্লোকেট তৌরে।

## হেল্থ (হকশেল)

৩৪. সার, কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা হেল্থ সেক্তর অসিদা শেল থাদদুনা ফগৎহন্নবা হোৎনগদবনি হায়বসি মালেম পূম্বদা নীংশিংহল্লি। সেক্তর অসি চাওখৎহনবদা সরকার অসিগী থৌদাং য়াম্না মরু ওই। **'চিফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং'** স্কীম অসি মায় পাক্লবা অমনি অমসুং মসিনা মরুওইনা, সমাজগী লাইরবশিংগী সেক্সনগী মীওইশিংগী ফুরিৎখাওদগী চৎকদবা শেল অদু হন্থহনবদা মতেং পাংই। হৌজিক ফাওবদা, সিঃএমঃঐচঃটি গী মখাদা বেনিফিসরি লাখ ৫.৮৫ এনরোল তৌখ্রে। এনরোল তৌরবশিং অসিগী মনুংদা, স্কী অসিগী মখাদা মীওই লাখ অমনা লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংখ্রে। মসিনা রাজ্য সরকার অসিনা লুপা কোটি ১০৭ খরচা তৌখ্রে। চহী অসিদা সরকার অসিনা শেলগী মতেং অসি **লুপা লাখ ২**দগী **লুপা লাখ ৫**দা হেনগৎহনখ্রে। মসিনা অখন্নবা ট্রিটমেন্ট নত্রগা মতম শাংনা ট্রিটমেন্ট তৌগদবা অনাবা মীওইশিংদা অহেনবা মতেং ফংবদা কান্নবা পীরগনি।

৩৫. মণিপুরদা লৈরিবা মীপুম খুদিংক্তা য়ুমথোং য়ুমথোংদা চত্তুনা হেল্থকিয়ার সার্ভিস অমদি মপূং ফাবা প্রাইমরি হেল্থ চেক-অপ ফংহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা, **চিফ মিনিষ্টর্স হেল্থ ফোর ওল** (সিঃএমঃঐচঃএফঃএ) স্কীম অসি ২০২১গী ওক্তোবরদা লোঞ্চ তৌখি। স্কীম অসি, হাইপরটেন্সন, দাইএবেটিস, কম্মন ওইবা কেন্সর মখল অহুমনচিংবা য়াওনা **নোন-কম্যুনিকেবল দিজিজ ১০** অসি ঙন্না মশক অমদি লাইওং খঙদোকপা ঙম্নবগী পান্দমদা পায়খৎপনি। হৌজিক ফাওবদা, খুঙ্গং **৮৩২**গী মীওই লাখ **১.৯০** স্কৃনিং তৌখ্রে। ঐখোয়না স্কীম অসি দিষ্ট্রিক্ট **১৬**মক কেনশিন্নবা পাকথোক চাওথোক্লবা পান্দম থল্লি। চহী অসিদা খুঙ্গং **১০০০** কোনশিন্নবা অমদি মীওই **লাখ ৫** স্কৃনিং তৌনবা পান্দম থল্লি। বজেট অসিদা লুপা কোটি ৫গী শেনফম স্কীম অসিগীদমক্তা এল্লোকেট তৌরে।

৩৬. হেল্থ ইন্সটিট্যুসনশিং অমদি সেন্তরশিংদা সোলার ইনর্জি অমদি ইনর্জি ইফিসিএন্ট ওইবা ইক্বিপমেন্টশিং থম্নবা ঐখোয়না থবক পায়খৎপা হৌরে। মসিগী খোঙথাং অসিনা, মরুওইনা মৈ পীবদা খুদোংচাদবা হেল্থ সেন্তরশিং অদু মপূং ফানা চলাইবা ঙমহন্নবা, পূং ২৪ চুপ্পা মৈ পীবা ঙম্লগনি। মসিগীদমক্তা বজেট অসিদা লুপা **কোটি ৪.৩৮** এল্লোকেট তৌরে।

৩৭. হেল্থ সেক্তরগী ওইনা পূন্না লুপা **কোটি ১,৪৮০** এল্লোকেট তৌরে।

## এগ্রিকলচর (লৌউ-শিংউ) অমদি মসিগা লোয়নরিবা সেক্তরশিং

৩৮. স্পীকর সার, লৌউ-শিংউগী সেক্তর অসি রাজ্য অসিগীদমক্তা য়াম্না মরু ওই। লৌউ-শিংউগী লম অমদি মসিগা চৎমিন্নরিবা সেক্তরশিং, হায়বদি, হোর্টিকলচর, এনিমেল হজবেন্দ্রি নচিংবাশিং অসি রাজ্য অসিগী শেল-থুমগী ফিভম ফগৎহনবগী অচৌবা পোন্টেন্সিল লৈ। মমাঙদা থমজখিবা অদুগুম্না, সেন্ট্রেল্লি স্পোন্সর্দ স্কীমশিংগী ফণ্ড ফ্লো অসি ষ্ট্রিমলাইন তৌরবা মতমদা সেক্তর অসি অহেনবা ফণ্ডশিং হেন্না ফংবা ঙমহনগনি, লোয়ননা মসিনা সেক্তর অসি চাওখৎপা অমদি মশক থোকপা মওংদা পুরকপা ঙমগনি। এগ্রিকলচর অমদি মসিগা মরী লৈনবা সেক্তরশিংগীদমক্তা বজেট অসিদা লুপা কোটি ৬৬০ এল্লোকেট তৌরে।

৩৯. মণিপুর পোনি কন্নবা অমদি য়োকখৎনবগীদমক্তা, লুপা কোটি ৪ এল্লোকেসন তৌরে। লাক্কদৌরিবা চহীশিংদা সরকার অসিনা মণিপুর পোনিবু মখা তানা চাওখৎহন্নবা খোঙথাংশিং পায়খৎনবা অচেৎপা অপান্বা লৈ।

৪০. সরকার অসিনা রাজ্য অসিদা দ্রগনা পীরিবা চৈথেং অসিগী মায়োক্তা অচৌবা খোঙথাং কয়া পায়খৎলে। 'ৱার ওন দ্রগস ২.০' অসিনা আইন কায়না দ্রগ লল্লোনবা অসি পাক শন্না কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লে। সরকার অসিনা লেপ্পা লৈতনা মিৎয়েং থল্লিবা হীরম অমা হায়রগদি, মরুওইনা বোর্দর এরিয়া ওইবা, রাজ্য অসিগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা আইনগী ৱাংমদা পোপ্পি থাবা অসিনি। সমস্যা অসি কন্ট্রোল তৌনবা পোপ্পি পান্বীশিং য়ান্থৎপা অসিনা পাম্বে অমা ওইরবসু, লৌমীশিংদা মসিগী মহুত্তা কেস ক্রোপশিং থাহন্দুনা শেল হেন্না ফংবা য়াবা লন্বী অমা পীদুনা আইন কায়না থাবগী থবক অসি তোকহনবা হায়বসিসু মসিগা মান্নবা য়াম্না মরু ওইবা অমনি। মসিগীদমক্তা, সরকার অসিনা লৌমীশিংনা পোপ্পি থাবগী মহুত্তা অতোপ্পা পান্বীশিং থাননবা পাইলোট প্রোজেক্ট অমা পায়খৎলে। বজেট অসিদা পাইলোট প্রোজেক্ট অসি পাকথোক চাউথোক্লবা লুপা কোটি ৪গী শেনফম এল্লোকেট তৌরে। রাজ্য অসিদা পোপ্পি থাবা অসি পূমতোক তোকহন্নবগীদমক্তা, রাজ্য সরকার অসিনা দোনর অমদি ভারত সরকারগী মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রিকলচরগা তান্নদুনা কোন্সোলিদেটেদ প্রোজেক্ট অমা শেম্নবা থবক পায়খৎলি। পাইলোট প্রোজেক্ট অসিদগী ঐখোয়না খঙজিলহৌবশিং অদুনা কোন্সোলিদেটেদ প্রোজেক্ট অসি শেম্বা অচৌবা মতেং ওইরগনি।

৪১. লৌউ-শিংউগী সেক্তর অসি চাওখৎপদা ইরিগেসন অসি য়াম্না মরু ওই। লৌমীশিংনা মখোয়গী মহৈ-মরোংশিং অদুগীদমক্তা মতিক চানা ঈশিং ফংনবা সেক্তর অসিদা মিৎয়েং চঙলি। সর্ফেস মাইনর ইরিগেসন, গ্রাউণ্ড ৱাটর ইরিগেসন, বেরেজ নচিংবশিং য়াওনা ইরিগেসনগী তোঙান

তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়া অমা পায়খৎলে। বজেট অসিদা ইরিগেসনগীদমক্তা লুপা কোটি ৬০০কী কেপিটেল আউটলে এল্লোকেট তৌরে।

৪২. লৌউ-শিংউগী টেক্নোলোজিগী ফগৎহনবগা লোয়ননা, রাজ্য অসিনা মরু-মরাং, ফৌ-চেঙগী অহেনবা ষ্টোক লৈরে। মখা তানা, কেন্দ্র সরকারনা 'নেস্নেল ফুদ সেক্যুরিটি এক্ট' কী খুখাংদা মমল অতাবদা চেঙ-চাক পীরি।  রাজ্য অসিগী লৌমীশিংগী ৱাখল্লোন অদুবু মাঙদা থমদুনা, রাজ্য সরকার অসিনা লমদম অসিদা পুথোকচবা ফৌ মেত্রিক টন ৫০,০০০ অসি লৌশিন্দুনা নেস্নেল ফুদ সেক্যুরিটি এক্টকী মখাদা য়েন্থোক্নবা পান্দম থল্লি। মসিনা কেন্দ্র সরকারনা পুথোক পুশিন তৌবদা চঙগদবা শেল অদু হন্থহনবা ঙমহল্লগনি লোয়ননা হেন্না পুথোক্লিবা চেঙ-হৱাই অদু লমদম অসিগী লৌমীদগী লৈদুনা মখোয়গী শেল তানবগী লম্বীদু ঙাক্না মখোয়বু মতেং পাংবা ঙম্লগনি। মসিগী খোঙথাং অসিনা রাজ্য অসিগী ফুদ সেক্যুরিটি থম্নবা হোৎনবা খোঙথাংদা মতেং পাংলগনি। মসিগীদমক্তা, বজেট অসিদা লুপা কোটি ৮৪ এল্লোকেট তৌরে।

## ফ্লদ মেনেজমেন্ট (ঈশিং-ঈচাও থেংনবা)

৪৩. সার, ঈশিং ঈচাও অসি রাজ্য অসিনা তোয়না মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবা অমনি অমদি মসিদগী থোরকপা খুদোংথিবশিং অদু থেংননবা ঐখোয়না নীংথিনা শেম-শাদুনা লৈবা তঙাইফদে। ভারত সরকারনা রাজ্য অসিগী রিভর বেসিন ১০দা ঈশিং ঈচাও থেংননবগী থবক পায়খৎনবা 'ফ্লদ মেনেজমেন্ট এণ্ড বোর্দর এরিয়া প্রোগ্রাম' সেঙ্কসন তৌরকখ্রে। প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা থবক পায়খৎপা হৌরে অমদি লোইশিল্লবা মতমদা, ঈশিং ঈচাওগী ফিভম অসি ঐখোয়না মশক থোক্না থেংনবা ঙম্লগনি হায়বসি ঐহাক্কী থাজজবনি। প্রোজেক্ট অসিগীদমক্তা বজেট অসিদা লুপা কোটি ৪১১ এল্লোকেট তৌরে।

৪৪. ঐহাক্না লম্ফোলপাৎকী ৱাটর বোদি রিজুভিনেসন তৌবগী প্রোজেক্টকী মতাংদা মমাঙদা পঞ্জখ্রে। প্রোজেক্ট অসিনা লোইশিল্লকপা মতমদা অহেনা নোংগী ঈশিংগী রিজরভর ওইনা মথৌ তৌবা ঙম্লগনি অমসুং ইম্ফাল সহরদা থোকপা ঈশিং ঈচাও অসিগী অয়াম্বা শরুক্কী ঙাকথোকপা ঙমহল্লগনি। মসিগী মথক্তা, ৱেটলেণ্ডশিং কনজার্ব তৌনবগী প্রোজেক্টশিং পায়খৎলিবা অসিনা ঈশিং ঈচাও থেংনবা মতেং ওইরগনি। পূন্না প্রোজেক্টশিং অসিগীদমক্ত লুপা কোটি ৭০০ এল্লোকেট তৌরে অমদি মসিনা রাজ্য অসিনা ঈশিং ঈচাও মতিক চানা থেংনবা ঙম্লগনি।

## লো এণ্ড ওর্দর, সেক্যুরিটি, ফায়র প্রোটেক্সন

৪৫. স্পীকর সার, প্রজা মীয়ামদা লো এণ্ড ওর্দর মেন্টেন তৌবা অমদি মখোয়গী ৱাখল্লোন্দা ইং-তপ্পা লৈবগী ৱাখল্লোন অমা পোকহনবা হায়বসি সমাজ অসিগীদমক্তা য়াম্না মরু ওই অমদি শেল থুমগী ফিভমসু ফগৎহনবদা দরকার ওই। মসি য়েংলদুনা রাজ্য সরকার অসিনা পুলিসতা হৌজিক লৈরিবা ইক্বিপমেন্টশিং অসি পাক্তক্লনা অপগ্রেদ তৌনবা থৌরাং তৌরি। আর্মস এণ্ড এম্ম্যুনিসন, অনৌবা গাড়ী, মেছিনরিশিং, য়ুনিফোর্ম নচিংবশিং অসিগীদমক্তা বজেট অসিদা লুপা কোটি ৩৬ এল্লোকেট তৌরে। অপগ্রেদ তৌবগী থবক অসি মথংগী চহী মঙা অসিদা ফেজ নাইনা পাঙথোক্কনি।

৪৬. আইন কায়রকপা অমদি এন্টি-ষ্টেট ওইবা থবক-থৌওংশিং য়েংশিন্নবা, ইন্টরনেস্নেল বোর্দরগী মফমশিংদা মপাঙ্গল কনবা পুলিস ফোর্স থন্বা হায়বসি তঙাইফদে। মসিগী মথক্তা, অসিগুম্লবা পুলিস ফোর্স অসি হাইৱেশিংদা থম্বসু তঙাইফদে। মসিনা মীয়াম চথোক চৎশিন তৌবা অমদি পোৎ-চৈশিং পুথোক-পুশিন তৌবদা নুংঙাইনা চৎহনবদা মতেং ওইগনি। মসিগীদমক্তা রাজ্য সরকার অসিনা স্কীম ফোর কেপিটেল ইনভেষ্টমেন্টকী মখাদা ইন্টরনেস্নেল বোর্দরদা লৈবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওইনা পুলিস আউটপোষ্ট ৩৪ শারগনি অমসুং ইম্ফাল-জিরিবাম নেস্নেল হাইৱেগী ওইনা পুলিস আউটপোষ্ট ৬ শেমগৎনবা পান্দম থল্লি।

৪৭. ঐখোয়না ঐখোয়গী পুলিস পার্সনেলশিংগীদমক্তা লৈননবা য়ুমগী খুদোংচাবা পীননবা প্রোজেক্টসু পায়খৎলি। বজেট অসিনা প্রোজেক্ট অসিগী থবক পায়খৎপা হৌননবা লুপা কোটি **১২** এল্লোকেট তৌরে।

৪৮. রাজ্য অসিনা য়াঙনা অর্ব্বানাইজেসন তৌরকপা অসি য়েংলুরগা ফায়র সার্ভিস অসি য়াম্না দরকার ওইবা সার্ভিস অমনি হায়না থমজগে। মসিগী সার্ভিস অসি মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা, হৌজিক মথৌ পাঙথোক্তনা লৈরিবা ফায়র সব-ষ্টেসনশিং অসি মথৌ পাঙথোকপা য়াহন্নবা সরকার অসিনা পান্দম থল্লি। মসিগীদমক্তা, বজেট অসিদা লুপা কোটি **১০** এল্লোকেট তৌরে।

## ড্রিঙ্কিং ৱাটর (থক্লবা ঈশিং) অমদি সেনিটেসন

৪৯. সার, লৈবাক অসিগী য়ুমথোং খুদিংদা থক্লনবা তোটি ঈশিং ফংহনবা হায়বসি ঐখোয়গী ইকাইখুম্নজরিবা প্রধান মন্ত্রিগী ৱাখল্লোন ওইদুনা লাক্লবনি। মসিগী ৱাখল্লোন অসিদা য়ূম্ফম ওইদুনা জল জিবন মিসন অসি হৌদোকখিবনি। জল জিবন মিসনগী মথক্তা, এনঃদিঃবি গী শেন্থুং মখাদা পায়খৎপা মণিপুর ৱাটর সপ্লাই প্রোজেক্ট অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ দোনর অমদি এনঃইঃসি গী মখাদা পায়খৎপা অতোপ্পা প্রোজেক্টশিং অসিনা পূন্না রাজ্য অসিগী য়ূমথোং খুদিংদা মথৌ

তৌরবা তোতি ঈশিং পীবা ঙমহল্লগনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা রাজ্য অসিগী য়ূমথোঙ চাদা ৭২দি তোতি ঈশিং সপ্লাই পীবা ঙল্লে অমদি পান্দম থমখিবা মতম অদুগী মনুংদা ঐখোয়না চাদা ১০০ পীননবগী লন্বীদা চঙশিল্লি। মসিগীদমক্তা, বজেট অসিদা ঐখোয়না লুপা কোটি ১,৭১৫ এল্লোকেট তৌরে।

৫০. সেনিটেসন হায়বসিসু মরুওইবা হীরম অমনি। গ্রেটর ইম্ফালগী মফমশিংদা সিৱরেজ সার্ভিস পীননবগীদমক্তা, ইম্ফাল সিৱরেজ সিস্টেম ফেজ – টু অসি এক্সটরনেল্লি এদেদ প্রোজেক্ট অমা ওইনা প্রপোজ তৌজখিবনি। মমাঙদা পঞ্জখিবা অদুগুম্না, মসিগী প্রোজেক্ট অসি থা খরসিগী মনুংদা হৌনবা শেম শারে। স্বচ্ছ ভারত মিসনগী অহানবা তাঙ্কতা ‘ওপন দিফিকেসন ফ্রি’ ভারত অমা ওইহন্নবদা মিৎয়েং থমখি। হৌজিক্তী, স্বচ্ছ ভারত মিসন ২.০ অসিনা সেনিটেসনবু অনৌবা মায়কৈ অমদা পুদুনা মখা চথরি। সেনিটেসনগীদমক্ত, বজেট অসিদা লুপা কোটি ৪৪৫ এল্লোকেট তৌরে।

## ইনক্লুসিভ দিভেলপমেন্ট

৫১. স্পীকর সার, চাওখৎপগী মহৈ অসি রাজ্য অসিগী মফম পূম্নমক শীনবা থুংনা ফংহনবা হায়বসি তঙাইফদবনি। জিওগ্রাফিকেল চেলেঞ্জেশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা ফেক্তরশিংনা মরম ওইদুনা, রাজ্য অসিগী মফম খরদি চাওখৎপগী তাফম থোকপা মমি অদু তাবদা খরা থিন্থনা লৈবগুম্না উজে। মসিবু ঐখোয়না খঙজিঞ্জরদুনা, সরকার অসিনা রাজ্য অসি বোর্দর অমদি অন্দর-দিভেলপ ওইরিবা দিষ্ট্রিক্টশিংগীদমক্তা স্পিসিএল দিভেলপমেন্ট ফণ্ড অমা শেমগৎলে। প্রোজেক্ট অসিগীদমক্তা লুপা কোটি **২১** এল্লোকেট তৌরে। মসিগী ফণ্ড অসিনা অখন্নবা ফণ্ডিং লৈতবা চাওখৎ-থৌরাংগী অৱাৎপা লৈবশিং অদু মেনখৎপদা শীজিন্নগনি।

৫২. সরকার অসিনা সব-দিভিজন দিভেলপমেন্ট মোনিটরিং মিসন লোঞ্চ তৌখ্রে। মসিগী পান্দমদি, খ্বাইদগী পিকপা এদমিনিষ্ট্রেটিভ য়ুনিট ওইরিবা সব-দিভিজন অসিগী খুখাংদা চাওখৎ-থৌরাং পায়খৎপা ঙম্নবনি। রাজ্য অসিগী সিনিয়র ওফিসার অমনা সব-দিভিজনগী থাক্তা সরকারগী মেছিনরিশিং অসি লমজিংনবগীদমক্তা সব-দিভিজন অমমম্গী ‘**প্রভারি**’ অমমম্ হাপ্লে। সব-দিভিজন খুদিংমক্তা লৈরিবা চাওখৎপগী লন্বীদা লৈরিবা অহোবশিং অসি খঙদোক্লবা মরীক চূম্বা সর্ভে পায়খৎখ্রে। সরকারগী প্রোজেক্টশিং অমদি স্কীমশিং অসি সব-দিভিজনগী থাক্তা লৈরিবা অৱাৎপশিং অসি মেনশিনবা ঙমহন্নবা শেমদোক-শেমজিন তৌরগনি। মিসন অসিদা মতেং ওইনবা, বজেট অসিদা লুপা কোটি **৫** এল্লোকেট তৌরে।

## টুরিজম

৫৩. সার, টুরিজম অসি এমপ্লোইমেন্ট পীননবা খ্বাইদগী চাওনা পোটেন্সিএল লৈবা, ইনভেষ্টমেন্ট পুশিল্লকপা ঙমহনগদবা অমদি রাজ্য অসিগী শেল-থুমগী ফিভম ফগৎহনবদা চাউনা মতেং পীগদবা সেক্তর অমনি। কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা টুরিজম সেক্তর অসিদা চাউনা চৈথেং পীখ্রবসু, মসিগী ফগৎলকপগী খুদম-চাংদম উবা ফংই। মসিগী য়েংলগা ঐখোয়না মসিগী খুদোংচাবা অসি মপূং ফানা লৌহৌবা দরকার ওই।

৫৪. টুরিজম ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিংদা ফণ্ডিং থাদরক্নবা তোঙান-তোঙানবা সোর্সশিং রাজ্য সরকার অসি খঙদোক্লবা হোৎনরি। প্রধান মন্ত্রি জন বিকাস কার্যক্রম (পিঃএমঃজেঃভিঃকে) গী মখাদা, 'দিভেলপমেন্ট ওফ ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফোর সিরুই হেরিটেজ ভিলেজ এণ্ড বক্ষি গ্রাউণ্ড এট উখ্রুল, মণিপুর' হায়বা প্রোজেক্ট অসি লুপা কোটি ৪৬.৫৪গী শেনফমগা লোয়ননা এপ্রুভ তৌরক্লে। চহী অসিদগী হৌদুনা ঐখোয়না প্রোজেক্ট অসি থবক পায়খৎপা হৌরগনি। প্রোজেক্ট অসি সিরুই লিলি ফেষ্টিভেলগী পোটেন্সিএল পূন্নমক ফোঙদোকপা ঙম্লগনি অমদি উখ্রুল টুরিজমগী মেপতা য়ৌদবা য়াদ্রবা লমকোয় মফম অমা ওইহনবা ঙম্লগনি।

৫৫. সঙাই ফেষ্টিভেল অসি রাজ্য অসিগী য়াম্না মরুওইবা টুরিজম ফেষ্টিভেল অমনি। ফেষ্টিভেল অসি 'সঙাই' গী ময়ূম ওইরিবা মফম অসিগী মনাক্তা শীল-লাঙবনা ফেষ্টিভেল অসিগী মহাও হাপকৎপা ঙমহনগনি। মসিগীদমক্তা ঐখোয়না রাজ্য অসিগী কম্ম্যুনিটি পূন্নমকপু রিপ্রজেন্ট তৌবা 'সঙাই এথনিক পার্ক' অমা কৈবুল লমজাওগী ময়াদা শেমগৎনবা প্রোজেক্ট অমা পায়খৎলে। ঐখোয়না মখেলদা হেরিদেজ প্রোজেক্ট অমা অমদি বেহিয়াংদা ষ্টেট কলচরেল সেন্তর অমা শেমগৎনবা প্রপোজ তৌরি। প্রোজেক্ট অহুম অসি সঙাই ফেষ্টিভেল টুরিজম সর্কিটকী শরুক অমা ওইরগনি। ঐখোয়না প্রোজেক্টশিং অসি স্কীম ফোর কেপিটেল ইনভেষ্টমেন্টকী মখাদা পায়খৎনবা প্রপোজ তৌরি।

## ফোরেষ্ট এণ্ড এনভাইরোনমেন্ট

৫৬. স্পীকর সার, অইং-অশাগী হোংলক্লিবা ফিভম অসিনা পীরিবা চেলেঞ্জশিং অসিগা ইরোয়ননা ফোরেষ্ট এণ্ড ইনভাইরোনমেন্ট সেক্তর অসিসু মরী লৈনবা হেনগৎলক্লি। সরকার অসিনা মসিগী হীরম অসিদা খ্বাইদগী চাওনা মিৎয়েং থল্লি। ঐখোয় পূন্না খূৎশম্নদুনা ঐখোয়গী উমং অসি কলহৌবা হায়বসিমক য়াম্না মরু ওইবা ৰাফমনি। আজাদিকা অমৃট মোহৎসবকী শরুক অমা ওইনা, নীংখা তম্বগী চহী ৭৫ ফারকপা অসিবু সেলেব্রেট তৌবসিদা, চহী অসিগী আগষ্টকী তাং ১৫ ফাওবগী মনুংদা ঐখোয়না উ-পাম্বী লাখ ৭৫ থানবা পান্দম থল্লি।

৫৭. উমং শেমগৎপা, ৱাটরসেদ মেনেজমেন্ট তৌবা, উমং কোকথোকপা য়েংশিনবা, কম্ম্যুনিটি শরুক য়াহনবনচিংবশিং অসি রাজ্য সরকার অসিগী পোরমশিংগী মনুংদা অমনি। 'কম্ম্যুনিটি বেজ ফোরেষ্ট মেনেজমেন্ট প্রোজেক্ট' অসি রাজ্য অসিগী মফম খরদা পায়খৎলি। ঐখোয়গী প্রোজেক্ট অসিগী পান্দম অসি হিংনবগী লন্থী পীবরোমদা ওনশিন্নবা মিৎয়েং থল্লি। লাক্কদৌরিবা চহী খরসিদা চাওনা অমদি অখন্ননা ইনভেষ্টমেন্ট তৌবা অসি রাজ্য অসিগী য়াম্না মরুওইবা অমনি অমসুং মসিগীদমক্তা এক্সটরনেল্লি এদেদ প্রোজেক্টকী মখাদা প্রোজক্টে অমা ওইনা প্রপোজ তৌরে। প্রোজেক্ট অসি পায়খৎনবা লন্থীশিং য়াখোকপগী থবক কন্না চথরি।

## স্পোর্টস (শান্ন-খোৎনবা)

৫৮. সার, লৈবাক শীনবা থুংনা মণিপুর অসি 'পৱারহাউস ওফ স্পোর্টস' হায়না শকখঙবিরি। 'আজাদিকা অমৃট মোহৎসব' সেলেব্রেসনগা মরী লৈননা, ২০২২গী এপ্রিল ২৮দগী মে ৪ ফাওবা পাঙথোকখিবা 'নোর্ঠইষ্ট স্পোর্টস ৱিক' হোষ্ট তৌনবা মণিপুরবু খল্লকখি। চহী অসি দুরান্দ কপসু রাজ্য অসিদা পাঙথোক্কদৌরি অমদি মসিমক রাজ্য অসিগী চাউথোকচনিংঙাইনি।

৫৯. স্পোর্টস ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা ইনভেষ্টমেন্ট তৌবগী তঙাইফদবা অসি সরকার অসিনা খঙজে। হৌজিক ঐখোয়গী লৈরিবা স্পোর্টস ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অসি ফগৎহনবা হায়বসিদা ইনভেষ্টমেন্ট য়াম্না মথৌ তাই, মসিমক শীংনবা অমনি। ৱার্ল্ড ক্লাস স্পোর্টস ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবগীদমক্তা ইনভেষ্টমেন্ট মরাং কায়না পুশিল্লক্নবা, অসিগুম্বা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অসি শেমগৎনবা ঐখোয়না পিঃপিঃপি মোদেলদা পায়খৎনবা হোৎনরি।

## ৱেলফিয়ার

৬০. স্পীকর সার, সমাজ অমনা মখোয়গী মরক্তা লৈরিবা শোথহৌরবা কাঙলুপপু য়েংশিনবিবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। মতেং অসিবু খ্বাইদগী দরকার ওইরিবশিং অদুবু মতেং পাংনবা অমদি ঙাকপী-শেনবগীনবগী থৌদাং অদু সরকার অসিগী থৌদাং অমা ওইনা কোকথোং য়াজরে। চিফ মিনিষ্টর্স ৱিদো পেন্সন স্কীম, পার্ফোমিং আর্টিষ্টতা মতেং পীবা, দিফরেন্টলি-এবল্ডশিংদা মতেং পীবনচিংবশিং য়াওনা ঐখোয়না তোঙান তোঙানবা পান্থে কয়া অমা হৌদোকচরে।

৬১. চহী অসিদা ঐখোয়না ঐখোয়গী সিনিয়র সিটিজনশিং অসিনা লৈননবা ওল্ড এজ হোম খরা শানবা খন্নজরি। ঐখোয়গী অহল ওইরবশিং অসিনা ইজৎ লৈনা সমাজসিদা হিংনবগীদমক্তা ঐখোয়না মসিগী হোমশিং অসিগী মেনেজমেন্ট তৌবা অসি সরকারগী তোঙান তোঙানবা

স্কীমশিংগা পুনশিন্নবা হোৎনগনি। হোমশিং অসি শেমগৎ–শাগৎনবগীদমক্তা, বজেট অসিদা ঐখোয়না লুপা কোটি ২ এল্লেকেট তৌরে।

৬২. লৈনবা য়ূমদি লৈজদবা, মচা চেল্লিবী মপুরোইবা কায়নখ্রবীশিং অসি ঐখোয়গী সমাজ অসিদা য়াম্না ভলনরেবল ওইবা সেক্সন অমনি। মখোয়শিং অসিবু লৈফম পীনবা অমদি এমপৱার তৌনবগীদমক্তা দিষ্ট্রিক্ট ৪ (মরি) দা ‘শেলটর এণ্ড লাইভলিহুদ সেন্তর্স ফোর ৱিদোজ’ শেমগৎনবা প্রপোজ তৌরি। সেন্তরশিং অসিনা লৈনবা মফম, স্কীল দিভেলপ তৌনবগী খুদোংচাবা অমদি ৱার্ক সেদশিংগী খুদোংচাবা পীরগনি। মখোয়না মরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা অমদি মশা মথন্তা হিংবা ঙমহন্নবা মতেং পীগনি।

৬৩. স্পীকর সার, ঐহাক্না সরকার অসিগী তোঙান তোঙানবা প্রাইওরিটি কয়া অমা থমজখ্রে। অতোপ্পা মরুওইবা হীরম কয়া অমা মতমগী খুদোংচাবা লৈতবনা থমজবা ঙমদ্রে। সরকার অসিনা সমাজ অসিগী সেক্সন খুদিংমকপু হীরম খুদিংমক্তা চাওখৎনবা হোৎনগনি অমদি রাজ্য অসিগী সেক্তর খুদিংমকপুসু চাওখৎনবা হোৎনগনি।

## সেক্সন – থ্রী

## ২০২২–২৩গী বজেট এষ্টিমেট

৬৪. সার, ঐহাক চহী ২০২২–২৩গী বজেট এষ্টিমেটশিংদা মায় ওনশিনজগে।

৬৫. অপূনবা রিসিট অসি লুপা কোটি **৩৩,৭০০** ওইগনি হায়না পারি। রেভিন্যু রিসিটশিং অসিনা লুপা কোটি **২৪,৪৪৭** অমদি কেপিটেল রিসিটশিং অসিনা লুপা কোটি **৯,২৫২** ওইগনি হায়না পারি। ষ্টেটকী মশাগী টেক্স অমদি নোন–টেক্স রিসিটশিং অসিনা মথংশিংনা লুপা কোটি **২,৪০০** অমসুং লুপা কোটি **৪০০** ওইগনি হায়না পারি।

৬৬. চহী ২০২২–২৩গী ওইনা, রাজ্যগী কোন্সোলিদেটেট ফণ্ডদগী লুপা কোটি **৩৪,৯৩০** গী অপূনবা এক্সপেন্দিচর ওইগনি হায়না ঐহাক্না প্রপোজ তৌরি। সার, অপূনবা রেভিন্যু এক্সপেন্দিচর অসি লুপা কোটি **১৭,৯১৪** ওইগনি হায়না পারি। কোপিটেল আউটলে অসিনা লুপা কোটি **৯,২৭২** ওইগনি পারি।

৬৭. সার, অরোইবদা, মথংগী চহীদা ওইরকপা য়াবা শেল–থুমগী ফিভম অদু শন্নপ্পা থমজগে। ফিস্কেল দিফিজিট অসি লুপা কোটি **২,৭৪৮** ওইগনি পারি। মসি জিঃএসঃদিঃপি গী চাদা **৬.৫** নি। চহী ২০২২–২৩দা, অপূনবা আউটষ্টেন্দিং দেট অসি জিঃএসঃদিঃপিগী পার্শেন্টেজদা হোৎপদা চাদা **৩৭.৯২** ওইগনি হায়না পারি।

## ৱারোইশিন

৬৮. স্পীকর সার, ২০২২গী মার্চতা ফমখিবা মীফমদা ভোট–ওন–একাউন্টস পাঙথোকখিবদা ঐখোয়না ই–বজেট অমা হৌদোকখ্রে। মসিগীদমক্তা, ইকাইখুম্নজরিবা মেম্বর খুদিংমক্কা বজেটকা মরী লৈনবা দোকুমেন্টশিং হাউসতা য়েংবা য়ানবগীদমক্তা ইলেক্ট্রোনিক টেব্লেট অমমম্ য়েন্থোকচখ্রে। লাইনা খঙবা য়ানবা অমদি ষ্টেট বজেট অসি ময়ামদা পাক–শন্না ফংহন্নবা, রাজ্য সরকার অসিনা বজেট এপ্লিকেসন অমসু লোঞ্চ তৌখ্রে। মসিগী খুত্থাংদা কনাগুম্বা অমা হেক্তনা ষ্টেটকী বজেট অসি য়েংবা য়াগনি। এপ্লিকেসন অসি ebudgetmanipur.mn.gov.in দা ফংবিগনি। মসিগী মথক্তা, বজেট অসি মণিপুর সরকারগী ৱেবসাইটতা অপলোদ তৌদুনা থল্লে।

৬৯. মসিগী ইরোইননা, মিষ্টর স্পীকর সার, চীং লেন্নবা হাউস অসিদগী অয়াবা পীবিরক্কনি হায়বগী থাজজবগা লোয়ননা ঐহাক্না ২০২২–২৩গী বজেট এষ্টিমেট থমজরি।